**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-03-2026)**

**এসেমব্লি (এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভাদা ঙসি তোঙান তোঙানবা বিভাগ ১২ গী লুপা কোতি লিশিং ৮২০৮ লাখ ৮০ লিশিং ৬৫ পাস তৌখ্রে।

বিভাগশিং অদুদি-ফাইনান্স, এদুকেসন, কোওপরেসন, এগ্রীকলচর, এনিম্যেল হসবেন্দরি এন্দ ভেটিরিনারি ইনক্লুদিং দেরি ফার্মিং, ইলেক্সন, মাইনর ইরিগ্রেসন, পঞ্চায়ট, সেরিকলচর, ৱাটর রিছোর্স, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জারভেসন অমসুং রিলিফ এন্দ দিজাস্তর মেনেজমেন্টনি।

**খোমচান্দ (এল)ঃ** উখ্রুল জিলাদা মীওই অনি হাৎখিবগী থৌদোক অদু এন.আই.এদা শিন্নরগনি হায়না হাউসকী লুচিংবসু ওইরিবা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা লাউথোকখ্রে।

মনিপুর বিধান সভাদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-থৌদোক অসি য়ামা লাইবক থিবনি। অসিগুম্বা থৌদোক মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা সরকারনা হোৎনগনি। সরকারগী রুলগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংদা মতিক চাবা এক্স গ্রেসিয়াসু পীরগনি।

নীংশিংবা য়াই, লৈখিদ্রবা মীওই অনি অদু ঙরাং অয়ুক উখ্রুল জিলাগী থৱাই খুল মনাক্তা লৈবা উমং অমদা ঈশিং শেন্বা চৎখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকপনি। অদুগা ঙসি অয়ুক শিনা ফংখিবনি।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী-সোথিং সিমরেনা হায়-ঙসি অয়ুক মীওই অনি শিনা ফংখিবা অসিগা মরী লৈননা উখ্রুল জিলাগী সংকাই অমদি মোংকোট চেপু ভিলেজ এরিয়াদা লৈবা মীয়ামনা ইরাং হৌরকপদগী মফম অদুদা চরাংনবা থোকখি। উখ্রুলদগী ইম্ফাল তমা লাকপা জিলা অসিগী এস.পিগী এস্কোট গাড়ি

খোইশাউনরবা মীয়ামনা থুগায়দুনা অমাং অতা থোকহনখ্রে। মসিদসু নত্তনা নেসনেল হায়ৱে ১০২ ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী মোংকোট চেপু ভিলেজ এরিয়াদা মীয়ামনা লম্বী থিংজিনদুনা খোঙজং চংশিনখি।

**নেমচা (এল)ঃ** উপ মুখ্য মন্ত্রি অমসুং পঞ্চায়েটি রাজ মন্ত্রি-নেপমচা কিপগেননা হায়রি-রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভম অমদি শান্তি রক্সাগী ফিভম ফত্তবনা মতম চানা পঞ্চায়ট মীখল পাঙথোকপা ঙমদবনি।

ঙসি মনিপুর সভাদা কংগ্রেসকী এম.এল.এ. থোকচোম লোকেশ্বরনা হংল্লকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা শ্রীমতি কিপগেননা হায়-হৌখিবা পঞ্চায়টকী মতম ইং ২০২২ গী ওক্তোবর থাদা লোয়গদবনি। মথংগী মীখল পাঙথোকবগীদমক সরকারনা চহি অদুগী জ্লাইদগী থৌরাং তৌখিবনি। অদুবু শেল থুমগী ফিভম অমদি রাজ্য অসিদা শান্তি রক্সাগী ফিভম ফংলক্তবদগী হৌজিক ফাওবা মীখল পাঙথোকপা ঙমদনা লাকপনি। অসিগুম্বা ফিভম অসি লাইবক থিবনি হায়না উপ মুখ্য মন্ত্রিনা সভাদা থমখি।

**কোল্লিং (এল)ঃ** কংগ্রেস লুচিংবা-কে. মেঘাচন্দ্রনা থাংগৎলকপা কোল্লিং এটেন্সন মোসনগী পাউখুম পীরদুনা গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়-মীওই অনি শকখঙদবশিংনা ফাজিনখিবগী থৌদোক অমদি মতুং তারকপদা মীওই ২১ অমগা খুৎলায় পায়বা খরনা ফাজিনদুনা থমলে হায়বগী পাউ হেক ফংবগা মুখ্য মন্ত্রি য়াওনা লুচিংবশিংনা কন্নবা হোৎনদুনা মীওই ২১ অদুদি কনবা ঙমখি।

মহাকা হায়-মনিপুরদা খুন্দারিবশিংনা মশা মশাগী কাংলুপ খক্তমক খন্দুনা থবক তৌরক্লবদি রাজ্য অসি শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা পুরকপা ঙস্লোই।

অমরোমদা, কংগ্রেসকী কে. মেঘাচন্দ্রনা থাংগৎলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীদুনা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-হৌখিবা চহি খরা অসিদা রাজ্য অসিগী চীংগী জিলাশিংদা হেন্না কন্না নোং চুখিবনা ঈচাও থোকখিবনি।

ৱাটর রিছোর্স বিভাগকী ওফিসিএলশিং নীংথিনা থবক তৌদবশিংগী মতাংদা কুপা য়েংশিল্লবা মতুং মতিক চাবা দিসিপ্লিনারি এক্সন লৌখৎকনি হায়বগী থাজবসু হাউসতা থমখি।

**দিমান্দ (এল)ঃ** ঙসি ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরেৎশুবা মরিনি চেনবা নুমিৎতা বিভাগশিং অসিগী থাংগৎলকখিবা দিমান্দশিংগী মথক্তা বিরোধি লুচিংবা ওক্রম সুরজাকুমার, কে. মেঘাচন্দ্র অমসুং টি.ঐচ. লোকেশ্বরনা তোঙান তোঙানবা কট মোসনশিং থাংগৎলকখি। মোসনশিং অদুগী পাউখুম ওইনা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী থৌসু পুরিবা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ অমসুং হোম মিনিস্তর-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ৱাফম কয়া থমখি অমদি মোসন অদু ৱিদ্রো তৌবীনবসু আপিল তৌখি।

তুংদা, অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা হাউসকী অয়াবা লৌরদুনা দিমান্দশিং অদু অমমতং ওইনা পাস তৌখি অমদি মীফম হয়েং পুং ১১ তাবা ফাওবা য়ৈথোকখি।

**নোং(এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি লেন য়াওনা অকনবা নোং চুখ্রে।

ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং য়াওনা চীংগী জিলাশিংদা ঙসি লেন য়াওনা অকনবা নোং চুবদগী মীয়ামনা চৎথোক চৎশিনদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরি। চুরাচান্দপুর, ককচিং, উখ্রুল অমদি চান্দেল জিলাদা ঙসি নুংথিলদগী হৌদুনা লেন য়াওনা অকনবা নোং চুখি। অতৈ মফমশিংদসু ঙরাংদগী হৌদুনা পারপনা নোং চুরি।

ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট-ইম্ফাল সেন্টরনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না-তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপা, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইষ্ট, উখ্রুল, কামজোং, নোনে, বিষ্ণুপুর, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাদা অখাক অরাও য়াওনা নোং তাগনি হায়না ফোংদোকখিবা

**সিএসও(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা এন.আর.সি. অপদেদ তৌরবা মতুংদা সেন্সস তৌগদবনি হায়বা ৱাফম অসি মনিপুর বিধান সভানা ৱারেপ লৌগদবনি হায়না সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন্স (সি.এস.ও) কংলৈপাকনা দাবী তৌরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি কৈশাম্পাৎতা লৈবা ইপসাগী ওফিসতা লুপ ১৪ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা সি.এস.ওগী ৱাঙাংলোয়-নহাকপম সান্তানা হায়-এন.আর.সিগী মতাংদা হৌজিক পাঙথোক্লিবা বিধান সভা মীফম অসিদা পুথোক্তুনা খন্নরকপা অসি তরামা ওকই। অদুবু, মীয়ামনা তাল্লিবা দাবী অসিগা সভাদা খন্নরিবা অদুগা পাউ ফাওনদবা মানবা ফিভম লাকপা অসি লাইবক থিবনি।

স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) গা নেসনেল রেজিস্ত্রার ওফ সিটিজন (এন.আর.সি) গী খেৎনবা মশক খঙনা অমদি মসিদা লৈরিবা অহোবা অসি ময়েক শেংনা হৌজিক চথরিবা বিধান সভা মীফম অসিদা খন্নবিয়ু। মীয়ামনা পাল্লিবা অসি ভোটর লিভিজন তৌবা অদু নত্তে। সিটিজন অশেংবা অদু মশক খঙদোকসি হায়বসিনি।

**মহিলা(এল)ঃ** মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা ঙসি নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী মীৎয়েং মখাদা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এম.এস.সি.ডব্লিয়ু) না শিনদুনা মহিলা জন সুনৱাই তেংনৌপল জিলাগী খুনবী ভিলেজতা লৈবা খুনবী কম্মুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি নুপীশিংনা মখোয়গী ৱাকৎ অমদি মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু ফোংদোকহন্নবগী তাঞ্জা পীবগী ৱাখল্লোনদা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা এম.এস.সি.ডব্লিয়ুগী চেয়াপর্সন-টি.ঐচ. তিনিংফম মোনশাংনা হায়-জন সুনৱাই হায়রিবা থৌরম অসি নুপীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদুগী চপ চাবা ৱায়েল ফংহন্নবগীদমক পাঙথোকপনি।

রাজ্য অসিগী মফম শিনবা থুংবদা হয়েং ফাওবা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি থা অসিগী ৯ দগী হৌখিবনি।

**ইভিক্সন(এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আইন কায়না শাজিল্লম্বা ষ্ট্রকচর খরা থেংনবদগী জিলা অসিগী মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে। দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা তকথোকবা খঙহনখ্রে।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-জিরিবামগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মীওই খরনা লম খোপচিল্লক্কুনা দুকান, যুম অমদি তোঙান তোঙানবা ষ্ট্রকচর কয়া শাজিল্লকপা থেংনরে। মসিনা জিলা অসিগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক হনবতা নত্তনা ওথোরিতিদা চাউনা শিংনবা অমা ওইরে। মরম অসিনা মনিপুর পব্লিক প্রেমিসেস (ইভিক্সন ওফ ওন ওথোরাইজ ওক্যুপেন্স) এক্ট-১৯৭৮ কী সেক্সন থ্রিগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শাজিল্লম্লিবশিং তকথোকবা হুকুম অসি থোকপনি। হায়রিবা মফমশিং অসি থা অসিগী ১৫ গী নুংথিল অহুম ফাওবগী মনুংদা শিদোক্কদবনি। মতম অসিগী মনুংদা মশা মশানা শিদোক্ত্রবদি আইনগী মতুং ইন্না থবক লৌখৎকনি হায়রি।

**কিডনি(এল)ঃ** মালেমগী কিডনি নুমিৎকা মরী লৈননা ঙসি নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ নেফ্রোলোজিনা শিনদুনা কাংপোকপী জিলাগী ৱাইরেম কবুই খ্লদা পাঙথোকখ্রে।

কিডনি হেলথ ফোর ওল কিয়ারিং ফোর পিপল প্রোটেক্টিং দা প্লানেট হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীওইবগী মরুওইবা হকচাং কয়াৎ ওইরিবা কিডনিবু ফনা থমবা হায়বসিদা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

**চুরাচান্দপুর(এল)ঃ** বেতি বচাউ-বেতি পরাউগী মখাদা ওন লাইন মেন্টরসিপ প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা বি.বি.বি.পি. মেন্টরসিপ কন্নেক্ট ঙসি চুরাচান্দপুর

জিলাদা হৌদোকখ্রে।

ৱিমেন ইম্পৱারমেন্ট কমিতি ওফ চুরাচান্দপুর কলেজ অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুরাচান্দপুরনা পুন্না শিনদুনা চুরাচান্দপুর কলেজতা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল ৱিমেন ৱিক সেলেব্রেসনগী থৌরমদা প্লেটফোর্ম অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুরাচান্দপুরনা হৌদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ধরুনকুমার এসনা হায়-প্লেটফোর্ম অসিনা নুপীশিংদা কান্নবা কয়া ফংহল্লগনি। মসিনা তোঙান তোঙানবা লমদা লৈরিবা নুপীশিং অমগা অমগা পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌনবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

**গার্দ(এল)ঃ** রাজ্যগী হোম গার্ড পার্সোনেলশিংগী মনুংদগী লৌথোকখ্রবা অন-পেড ওফিসারগী মতাংদা খঙহনবীনবা ইনর্ফোমেসন কম্মিসনদা ৱাকৎখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী মীওই অমনা থাবা আর.টি.আইগী মতুং ইন্না হায়রিবা অন-পেড ওফিসারশিং অদুগী মশিং খঙহনবীয়ু হায়না মমাং চহিগী দিসেম্বর ৮ দা হোম গার্দকী কম্মান্দেন্টতা ৱাকৎখ্রবা মতুং মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীরক্তবনা হোমগী কম্মিস্নার য়াওনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা ৱাকৎখিবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা হয়েং অসামদা লাক্কদৌরি। প্রধান মন্ত্রিনা হয়েং জিলা অদুগী কোক্রাঝারদা থুংলবা মতুংদা রেল দভা শেমফম, থোং তরুক অমদি বোড়ো টেরিটোরিয়েল লমদমদা চেনগদবা রেলগাড়ি অহুম য়াওনা তোঙান তোঙানাব চাউখৎ থৌরাং কয়া শঙ্গাগনি, খরগীনা উরেপ উযুং তমগনি।

তুংদা, গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংদা শরুক য়াগনি অমদি রাজ্য অদুগী চা বগানশিংদা মথৌ তৌরিবা শিন্মীশিংদা লম

পট্টাশিংসু খুৎশিন্নগনি অমদি মেগাৱার্ট ১৫০ ওইগদবা কোপিলি হাইদ্রো পৱার প্রোজেক্টসু মীয়ামদা খুৎশিন্নগনি।

মসিগী তুংদা, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৬৪০ গী শেনফম ওইগদবা পি.এম. কিষান নিধিগী ২২ শুবা ইন্সটোলমেন্টসু মীয়ামদা দাইরেক্ট বিনিফিট ত্রান্সফরগী খুথাংদা খুৎশিন্নগনি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা লৌউ শিংউগী থবক থৌরমশিংদা নুপীশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লুচিংবী ওইননবা ফোংদোরক্লি।

ৱাফম অসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা গ্লোবে কনফরেন্স ওন দা রোল ওফ ৱিমেন এন্দ এগ্রী-ফুদ সিষ্টেমস-২০২৬ হায়না মিংথোনবা মালেম থাক্কী খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমদা ফোংদোকখিবনি। রাস্ত্রপতিনা হায়-নুপীশিংনা লৌউ শিংউগী লমদা হেন্না শরুক য়ারবদি লৈবাক অসিগী লৌউ শিংউগী লমদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙমগনি।

**এলপিজি ঃ** ভারতকী য়ুমথোঙশিংদা এল.পি.জিগী দিমান্দ হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা সরকারনা মসিগী পোথোক চাদা ২৫ হেনগৎলে হায়না কেন্দ্রগী পেত্রোল্লিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেতরি সুজাতা শর্ম্মনা ফোংদোকখ্রে।

ৱাফম অসি নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী মতাংদা পাঙথোকপা অখন্নবা পাউগী মীফম অমদা মহাকা ফোংদোকখিবনি। শ্রীমতি শুজাতা শর্ম্মনা হায়- থা অসিগী ৮ দা কেন্দ্র সরকারনা ভারতকী ওইল রিফাইনরি অমসুং পেত্রো-কেমিকেল কমপ্লেক্সশিংদা মখোয়না শিজিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা গ্যাস মখলশিং অসি এল.পি.জি পুথোকপদা ওইনা শিজিন্ননবা ওর্দর অমা থোক্কুনা খঙহনবা লৈখ্রে।

ভারতকী শুংদোক্ত্রিবা থাউ সপ্লাইগী মতাংদা পল্লদুনা মহাকা হায়-

ভারতকী ওইনা ক্রুদ ওইলগী সপ্লাই নিংথিনা লৈরি। হৌজিক চাদা ৭০ দি ইরাং অসিনা শোকহল্লিবা ষ্টেট ওফ হোরমুসকী মপানদগী ওইনা লাকপা হৌরে।

**ক্রিকেট ঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডল্লিয়ু. প্রহ্লাদা অমসুং ডল্লিয়ু রামানন্দা ইলিট ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি লাইরেঞ্জম পাল্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা আর.সি.এ. লিলোংনা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দবু রন-১৩৯ দা থোইখ্রে।

থৌবালগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ট্রোফি অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ক্রাউ-খমাম বজারনা চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেম্পলিবু রন-৭২ দা থোইখি।

হৌজিক ফাওবদা পি.টি.আর.সি-পাৎশোই পার্ট ফোরনা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা ট্রোফি অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

**ক্রিকেট ঃ** ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু. (ডল্লিয়ু) লালাম্বুংনা রেস-নাগামপালবু রন-৩৫ দা থোইখ্রে। হয়েং সাইক্লোন অমদি টি.সি.এম.দি.সি. অমসুং এস.য়ু (এস.ভি.সি) অমদি ৱাই.পি.ঐচ.য়ু (এন) অহুমশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ শান্নগনি।